৩৭শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

# জুনিয়র বোইজকীদা মণিপুরনা ছটিশগর অমসুং মধ্য প্রদেশ মায়থীবা পীখ্রে





ইম্ফাল, মার্চ২৭ (ঐচএনএস) : খো-খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (কে কে এফ আই) গী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমেচর খো-খো এসোসিএ-সন (এম এ কে কে এ) না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগা খূৎশম্নদুনা শিল্লগা পাঙথোকপা ৩৭শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮গী নীনি চনবা নুমিৎকী শান্নখিবা জুনিয়র বোইজগী মেচশিংদা য়ূম্বু ওইরিবা মণিপুরনা ছটিশগর অমসুং মধ্য প্রদেশ মায়থীবা পীখ্রে।

৩৭শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮গী নীনি চনবা নুমিৎকী বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা শান্নগদবা মেচশিং হৌদোকপগী থৌরমদা সোসল ৱেলফেয়র অমসুং কোর্পোরেসনগী মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন্না চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন্না হায়খি, থকসি-খাসি নাইবা পুন্সি মহিং অমা লৈহনবদা নত্তনা পার্সনেলিটি দিভলপমেন্ট লাকহপনবদা স্পোর্টস অমসুং এদ্যুকেসন হায়বসি অদুক্কী মতিক মরু ওই। মরম অসিনা শান্নরোয় খুদিংমক্না থকসি-খাসি লৈনা শান্নরবা মতমদতা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মায় পাকপা ঙমগনি খল্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা মণিপুর অসি স্পোর্টসকী পৱর হাওসনি হায়না খঙনরিবনি। ষ্টেট অসিদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শারিবা অসি মপূং ফানা হেক লোইবগা মফম অসিদগী অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্কদৌ-রিবনি। মসিনা লমদমসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎসু পুরক্কদৌ-রিবনি। মশান্না খুদিংমক্কী ওইনা মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থীবা হায়বসি লৈগনি। মরম অসিনা শান্নরোয় খুদিংমক্না গেম খুদিংমকপু এক্সপরিএন্সনি হায়না লৌবগদবনি। মদুনা মথৌ তাবা স্কিলশিং হেনগৎহনবদা নত্তনা মায় পাকপদা মতেং ওইহনগদৌরিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা খো-খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎশিং, মণিপুর অমেচর খো-খো এসোসিএসনগী মীহুৎশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়া শরুক য়াখি।

বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা ঙসি শান্নখিবা ৩৭শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮গী জুনিয়র বোইজগী মেচশিংদা মণিপুরনা ছটিশগরবু ১৪-১০দা অমসুং মধ্য প্রদেশসপুনা ২৫-৩দা মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা মেচশিংদনা টামিল নাদুনা নাগালেন্দবু ১৮-৩ দা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা হিমাচল প্রদেশপু ১৩-৩ দা, উত্তর প্রদেশনা বিহারবু ১৮-৪দা অমদি ত্রিপুরাবু ১৩-৫দা, কর্ণাটাকানা ছটিশগরবু ১৫-৭তা, বিদরভানা মধ্য ভারতপু ১৯-৭তা, টামিল নাদুনা অসামবু ১৯-১৩দা, কোলাপুরনা গোৱাবু ২০-২৫দা, ছটিশগরনা গোৱাবু ১৬-১৫দা অমসুং বিদরভানা হিমাচল প্রদেশপু ১২-০দা মায়থীবা পীখি।

৩৭শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮গী জুনিয়র গার্লসকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদনা পুদুচেরিনা হিমাচল প্রদেশপু ১১-১০দা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ছটিশগরবু ১৫-৬তা, ছটিশগরনা ত্রিপুরাবু ৯-৫দা, বিদরভানা বিহারবু ১৪-৫, হরিয়ানানা মধ্য প্রদেশপু ৮-৭, মহারাষ্ট্রনা সিক্কিমবু ২৬-৩দা, টামিল নাদুনা মধ্য ভারতপু ১৬-৩দা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা সিক্কিমবু ১৭-২দা, ওদিষানা পুদুচেরিবু ১৬-১দা, উত্তর প্রদেশনা অন্ধ্র প্রদেশপু ১০-৭তা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ত্রিপুরাবু ১২-৬তা অমসুং টামিল নাদুনা হরিয়ানাবু ১০-৪দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নীনি চনবা নুমিৎতা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট খো-খো এসোসিএসন্না শিল্লগা বেসিক গ্রাউন্দা মেচ অনী শান্নখি। জুনিয়র বোইজগী মেচতনা দেল্লিনা পুদুচেরিবু ২২-৪দা অদুগা জুনিয়র বোইজদনা গুজরাটনা কোলাপুরবু ১৩-১২দা মায়থীবা পীখি। বেসিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অনী অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মনিদকো অমসুং মনিত্রোনগী চ্যেরমেন ওইরিবা ডা. য়ুম্নাম রাধেশ্যাম, ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র, ককচীংগী উপ অধক্ষ এম দি নাজিমুদ্দিন, ককচীংগী দি সী নৈলিএনথাং টৈলিয়ন অমসুং ককচীংগী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েঞ্খোমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ২০১৮

# মণিপুরগী ক্রিপসা সলাইনা টামিল নাদুগী সেটু এফ সীবু গোল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে



শিলোং, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস) : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুরগী ক্রিপসা সলাইনা টামিল নাদুগী সেটু এফ সীবু গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

শিলোংগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি ক্রিপসা সলাই এফ সীনা অহানবা মেচ ওইনা টামিল নাদুগী সেটু এফ সীগা শান্নখিবনি। মেচ অদু হেক হৌবদগী ক্রিপসা সলাইনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফ হেক হৌবগী অনীশুবা মিনিটতা ক্রিপসা সলাইগী মায়কৈদগী মাঙজিল থাবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। অদুবু খুদোংচাবা অদু নাম্থোক্তুনা চৎখি। মীকুপ খরগী মতুং মেচকী ৯শুবা মিনিটতা বিন্দিয়ানা ফজরবা পীরকপা পাস অমদা বলানা নিংথিনা হেন্দল তৌরগা গোল ওন্থোকখি। গোল অদুনা মেচ অদু ক্রিপসা সলাইনা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থারগা চৎখি। সেটু এফ সীগী মায়কৈদগীসু সলাই ক্রিপসাগী গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। অদুবু ক্রিপসা সলাইগী শান্নরোয়শিংনা নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখিবনা সেটু এফ সীগী মায়কৈদগী মায় পাক্না এটেক চথুবা ঙমখিদে। মেচকী ১৬শুবা মিনিটতা রতনবলানা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু ক্রিপসা সলাইনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ৭খক কান্নরগা মেচকী ২৩শুবা মিনিটতা রতনবলানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। মসিগী মতুং অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীকুপ ফাওবদা বোল অদু সেটুগী হাফতা অয়াম্বনা শান্নখি। সেটুগী মায়কৈদগী বোল অদু ক্রিপসা সলাইগী মায়কৈরোমদা পুশিল্লকপা ঙমখিদে। মেচ অদুদা শোকপদগী বলা মখা তানা শান্নবা ঙমদদুনা মেচতগী মপান থোকখি। গোলশিং অদু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা সেটু এফ সীগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমখিদবনা ক্রিপসা সলাইনা গোল ৩-০দা মাঙজিল থারগা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি।

অহানবা হাফতগী হৌনা গোল অহুম মাঙজিল থারক্লবসু ক্রিপসা সলাইগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবগীদমক মখা তানা অকনবা এটেক কয়া চথুরকখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদদি সেটুগী মায়কৈদগীসু থাজবা অমগা লোয়ননা গোল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না শান্নখি। মেচকী ৬২শুবা মিনিটতা হেমোলতানা পীরকপা ফজরবা পাস অমা দাংমৈ গ্রেসনা গোল ওন্থোক্লগা ক্রিপসা সলাইবু গোল ৪-০ দা মাঙজিল থাহনখিবনা সেটু এফ সীনা অনীশুবা হাফতা নীংথিজনা শান্নরম্বা মতৌ অদু নীংহন্নবা পোকহনখি। মেচকী ৭৪শুবা মিনিটতা অমুক অশারানিনা ক্রিপসা সলাইগী মঙাশুবা গোল চনখি। ক্রিপসা সলাইনা গোল মঙা মাঙজিল থাখ্রবসু সেটু এফ সীগী মায়কৈদগী গোলশিং অদু হন্দোক্নবা হোৎনবদি লেপখিদে। সেটু এফ সীগী ফোরৱার্দ সবিনা খাতুন্না মহাক্কী টিমগী ফোরৱার্দ লাইন ফগৎহন্নবা কয়া হোৎনরবসু ক্রিপসা সলাইগী শান্নরোয়শিংনা নিংথিনা কন্ত্রোল তৌরগা শান্নখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা সেটু এফ সী মায়থীখি। অদুগা ক্রিপসা সলাইনা মেচ অদু গোল ৫-০দা মায় পাকখি।

অহানবা মেচতা সেটু এফ সীবু মায়থীবা পীরম্লগা মায় পাকপগী কেম্প্যেন চথুবা হৌখ্রবা মণিপুরগী ক্রিপসা সলাইনা লাক্লিবা মার্চ ৩১দা রাইনিং ষ্টুদেন্টস ক্লবকা থেঙ্গাইনরগনি। ক্রিপসা সলাইগী টিম কোচনা হিরো ইন্দিয়ান্স লীগ অসিদা মহাক্কী টিম্না য়াম্না থৱায় য়াওনা শান্নগনি অমদি মেচ খুদিংমক ফাইনেলমক্নি খল্লগা চপ চাবা মতিক ময়াই অদু উৎথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। ক্রিপসা সলাই এফ সীদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া য়াওরিবনি।

পনবা য়াবদি, আই দব্লিয়ু এল ২০১৭-১৮গী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না ইন্দিরা গান্ধী একাদেমি (আই জি এ) বু গোল ৩-২দা মায় পাকখিবনি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এম পি এস সী, ৱাই এম দি ও অমসুং মিখ্যা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস) : লিলোং চজিং য়ুথ কম্যুনিতি সেন্তর কম কলচরেল ইন্সটিট্যুট (এল সী ৱাই সী সী সী সী আই), লিলোং য়ঙ সোসিএল সার্ভিস য়ুনিয়ন (এল ৱাই এস এস য়ু) অমদি মাইরেনখোং রাইজিং ক্লব (এম আর সী) গা খূৎশম্নরগা শিন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম পি এস সী, ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল মায় পাকখ্রে।

অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসিগী মেচশিং মাইরেনখোং পুথিবা লম্পাক্তা শান্নখি। ঙসিগী অহানবা মেচ ওইনা এল সী ৱাই সী সী সী সী আই চজিং অমসুং কে ৱাই এল এস সী কাচি খুলনা শান্নগদবা মেচ অদু নোং তাবনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখি। অদুমকপু অতোপ্পা মেচশিংদি শান্নখি। অনীশুবা মেচতা এম পি এস সীনা এস দি সী শমুরৌবু ৩-০ (২৭-২৫, ২৫-১৪, ২৫-১২) দা, অহুমশুবা মেচতনা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা এল সী ৱাই সী সী সী সী আই চজিংবু ৩-২ (২৫-২৭, ১৮-২৫, ২৫-১৭, ২৫-১৯, ১৭-১৫) দা অমসুং মরিশুবা অমসুং ঙসিগী অরোইবা মেচতনা মিখ্যা ময়াং ইম্ফালনা এস দি সী শমুরৌবু ৩-১ (২৫-১৫, ২৭-২৯, ২৫-২০, ২৫-১৪) দা মায়থীবা পীখি।

১৪শুবা দি এস এ ত্রোফি ২০১৮

# সেমী ফাইনেলদা য়ু বি এস এ মন্তক্লা কে পি এস সী ককচীংগা, এ এফ সী থৌবালনা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপীগা থেঙ্গাইনরগনি

ইম্ফাল, মার্চ২৭ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শিল্লগা ককচীংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৪শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী সেমী ফাইনেলদা য়ু বি এস এ মন্তক্লা কে পি এস সী ককচীংগা অমসুং এ এফ সী থৌবালনা দি ৱাই এ এলাং-খাংপোকপীগা থেঙ্গাইনরগনি।

১৪শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী গ্রুপ ষ্টেজগী মেচশিং ঙসি লোইশিনখ্রে। গ্রুপ এদা কে পি এস সীনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ ৱিন্নর ওইদুনা অমসুং দি ৱাই এনা পোইন্ট ৩ ফংলগা রন্নর্স-অপ তাদুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি। গ্রুপ বিদগীনা এ এফ সীনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ ৱিন্নর ওইদুনা অমসুং য়ু বি এস এনা পোইন্ট ৩ ফংলগা রন্নর ওইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।



তোঙান তোঙানবা টিম তরুক্লা শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৪শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী গ্রুপ ষ্টেজগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসি য়ু বি এস এ মন্তক অমসুং কে এম এস দব্লিয়ু সী কৈরক শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদদি টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথুনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদে।

অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অনীশুবা হাফকী তঙ্খাই চল্লক্লবা মতুং মেচকী ৭৩শুবা মিনিটতা য়ু বি এস এগী জর্সি নম্বর ১৩ পি রোমেসমনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিম্বু মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ২ কান্নরগা পি রোমেসনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু য়ু বি এস এ মন্তক্লা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মিনিট ৩গী মনুংদা গোল ২ চনশিল্লকখিবা অদুদা কে এম এস দব্লিয়ু সী তৌফম খঙখিদে। গোলশিং অদু হন্দোক্নবগীদমক কন্না শান্নরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা কে এম এস দব্লিয়ু সী মায়থীহৌখি। পি রোমেসনা চনখিবা গোল অনী অদুনা মেচ অদু য়ু বি এস এ মন্তক্লা গোল ২-০ দা মায় পাকপদা নত্তনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এন এন সী কে এনা বি কে এম এলবু, তখেল এফ সীনা এন কে জে সীবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৭ (ঐচএনএস) : ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংনা শিল্লগা ইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা পাঙথোক্লিবা মঙাশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন এন সী কে এনা বি কে এম এলবু অমসুং তখেল এফ সীনা এন কে জে সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোক্লিবা মঙাশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ১৬শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন এন সী কে এ নোংগ্রেন অমসুং বি কে এম এল ভেটরান লমলাই শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মেচকী ১৬শুবা মিনিটতা এন এন সী কে এগী জর্সি নম্বর ৮ এন রেবন্তনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিম্বু মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক বি কে এম এলগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা বি কে এম এলনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবনা এন এন সী কে এনা গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফতসু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। এন এন সী কে এনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হনে



দাক্ননবা বি কে এম এলগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চথুরকখি। অদুবু মেচকী ৩৭শুবা মিনিটতা এন এন সী কে এগী জর্সি নম্বর ৯ এস অজিৎ কুমারনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা বি কে এম এল মায়থীহৌখি। অদুগা এন এন সী কে এনা গোল ২-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন কে জে সী নোংপোক কৈথেলমানবী অমসুং তখেল এফ সী শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী গোল চন্নবা এটেক কয়া চথুনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদবনা ০-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা তখেল এফ সীনা হান্না শান্নরম্বা মতৌদগী অহোংবা থল্লগা শান্নরকখি। মেচকী ৩০শুবা মিনিটতা তখেল এফ সীগী জর্সি নম্বর ৫ আই উদোয়না মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিম্বু গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ৬ কান্নরগা মেচকী ৩৬শুবা মিনিটতা তখেল এফ সীগী জর্সি নম্বর ৫ এল দেবান্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা এন কে জে সী মায়থীহৌখি। উদোয় অমসুং দেবান্না চনখিবা গোল অনী অদুনা মেচ অদু তখেল এফ সীনা গোল ২-০দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দদা বি এস য়ু এ অমসুং এন পি ৱাই সী শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দনা এফ সী তেলৌ অমসুং এফ সী পুংদোংবম শান্নগনি।

# সন্তোস ত্রোফি: মণিপুর মহারাষ্ট্রগী মখূৎতা মায়থীহৌরে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস) : ৭২শুবা সন্তোস ত্রোফিগী হাওরাদা লৈবা সাইলেন মনা ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ফেজগী অরোইবা মেচতা মণিপুর মহারাষ্ট্রগী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

মেচ অদু হৌরকপদা মণিপুরগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফতা মণিপুরনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থারগা চৎখি। অদুবু অনীশুবা হাফতা মহারাষ্ট্রগী মায়কৈদগী গোল ৬ চনশিল্লক্লগা মণিপুরবু গোল ৭-২দা মায়থীবা পীরমখিবনি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা মণিপুরগী গোল অনী অদু চান্সো হোরাম্না মেচকী ১৭শুবা মিনিট অমসুং ধনঞ্জয়না মেচকী ৪০শুবা মিনিটতা চনখিবনি। অদুগা মায় পাক্লবা মহারাষ্ট্রগী গোলশিং অদুনা সাহিল ভোকারেনা মেচকী ২৮শুবা মিনিট, নিখিল প্রভুনা মেচকী ৭০শুবা মিনিট, কিরন বন্দারেনা মেচকী ৮৬শুবা মিনিট অমসুং নকিল অন্সারিনা মেচকী ৯০ প্লস থ্রি চৎপা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি।



অদুগা রঞ্জিৎনা মেচকী ৫৯শুবা, ৭৭শুবা অমসুং ৯০শুবা মিনিটতা গোল অহুম চল্লগা হেটত্রিক ফংখিবনি। রঞ্জিৎকী হেটত্রিক্লা মেচ অদু মহারাষ্ট্রনা মায় পাকপদা অচৌবা মতেং ওইহনখি।

মহারাষ্ট্রনা ঙসিগী মেচ অদু মায় পাক্লবসু গ্রুপ এদা পোইন্ট ৬ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে। অদুগা মণিপুরনা মেচ মরি শান্নবদা পোইন্ট অমখক ফংলগা লৈহৌরে। ৭২শুবা সন্তোস ত্রোফি অসিগী অহানবা রাউন্দগী মেচশিং লাক্লিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা লোইরগনি। অহানবা রাউন্দগী মেচশিং শান্নবগী অরোইবা নুমিৎতা গ্রুপ বিগী মেচ ওইনা মিজোরাম্না কর্ণাটাকাগা অমসুং পঞ্জাবনা গোৱাগা শান্নগনি।



HL-B/4500/17/2-22April(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com